গজাদা ঈরাং হেনগৎলক্লে, হমাসনা ইজরেলদা রোকেট কয়ামরুম কাপশিনখ্রে

জেরুসালেম, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

ইজরেলনা গজাদা অরোনবা ওপরেসন অমা চথবদা ইজরেলি লান্মী অমা অমসুং মিলিটেন্ট তরেৎ শিখ্রবা মতুংদা ঙসি ইজরেল অমদি পেলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্কবা হেনগৎখ্রে। গজাগী মায়কৈদগী রোকেট কয়া ইজরেলদা কাপশিনখিবদা অহাংবা বস অমদা পানখ্রে অমসুং চহী ১৯ শুবা নহা অমা ফীভম থীনা শোক্লে হায়না ইজরেলি মেদিকশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংগী খোঙথাং অদুগী পাউখুম ওইনা ইজরেলগী মায়কৈদগীসু পরিং নাইনা এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রে। এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুদা পেলেষ্টিনিয়ন অমা শিরে হায়না পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, ইজরেলি ফোর্সশিংনা গজাদা লোন্না চথখিবা ওপরেসন্দা শিখিবশিংগী মনুংদা হমাসকী কন্মান্দর অমা অমসুং ইজরেলি লান্মী অমা য়াওখি। পেলেষ্টিনিয়নশিংনা হায়, সিবিলিয়ন গাড়ী অমা তোংদুনা লাকখিবা ইজরেলি মিলিটরি য়ুনিট অমনা হমাসকী কন্মান্দর অদু হাৎখি।

মখা তানা পেলেষ্টিনিয়ন ছোর্সশিংনা হায়, ইজরেলি য়ুনিট অদু ইজরেলগা তায়নবা গজা ষ্ট্রিপকী মনুংদা কিলোমিটর ৩ ফাওবা চঙশিল্লকখি। মদুদা গজা ষ্ট্রিপপু কন্ট্রোল তৌরিবা হমাসকী মিলিটেন্টশিং অদুনা কার অদুবু খামখি। গ্রুপ অদুগী মিলিটরি ৱিং ওইরিবা ইজেদিন অল-কসম বৃগেদসনা হায়, ইজরেলিশিং অদুনা নোংমৈ কাপ্তুনা হমাসকী লোকেল কন্মান্দর নুর বারেকে হাৎখি। থৌদোক অদু গজা ষ্ট্রিপকী খাথংবদা খান য়ুনিসকী নোংপোক্তা থোকখিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নখি অমসুং ইজরেলগী টেঙ্কশিং অমদি এয়রক্রাফ্টনা মফম অদুদা এটেক চথখি হায়না ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখি। শিখিবা পেলেষ্টিনিয়নশিং অদুগী মনুংদা তরুক্তি হমাসকী মীওইশিংনি অমসুং তরেৎশুবা মীওই অদুনা লালহৌবা গ্রুপ পোপ্যুল্লর রেজিষ্টেন্স কন্মিটিগী মেম্বর অমনি হায়না পাউগী এজেন্সীগী অমনা পেলেষ্টিনিয়ন ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

ইজরেল দিফেন্স ফোর্স (আই দি এফ) না হায়, স্পেস য়ুনিটকী মেম্বর অমা ওপরেসন অদুদা শিখ্রে। অদুগা অমনা অশোক-অপন নংখ্রে। গজা ষ্ট্রিপতা ঈরাং কনখৎলকখিবগা লোয়ননা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটন্যাহুগী পেরিস খোঙচৎ তেনশিন্দুনা ইজরেলদা হল্লকখ্রে। মহাক মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও লোইশিনখিবগী ১০০ শুবা কুমওন থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক্তা পেরিসতা চৎখিবনি। গজাদা চথখিবা অরোনবা ওপরেসন অদুগী মতাংদা ইজরেলি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কুপ্না ফোঙদোরকখিদ্রবসু ইজরেল দিফেন্স ফোর্সনা হায়, ওপরেসন অদু টেরিষ্টশিং হাৎনবা নৎত্রগা ফাননবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং ইজরেলি সিক্যুরিটিগী ফীভম হেন্না চেৎশিনহন্ননবনি।

সাউদি ক্রাউন প্রিন্সকা নক্নবশিংনা য়েক্নবা ইরানিয়নশিং হাৎনবা হোৎনখি : ওফিসল

ৱাশিংতন, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

হৌখিবা চহীদা ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমানগা নকশিন্নবা সাউদি অরাবিয়াগী মকোক থোংবা ইন্টলিজেন্স ওফিসলশিংনা বিজিনেসমেন গ্রুপ অমদা প্রাইভেট কম্পেনিশিং শীজিন্নরগা কিংদম অদুগী য়েক্নবা ওইবা ইরানিয়নশিং হাৎনবা হায়খি হায়না হিরম অদুগী মতাংদা খরা খঙবা ওফিসল অহুম্না ফোঙদোকখ্রে।

দেপ্যুটি ক্রাউন প্রিন্স অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর ওইখিবা প্রিন্স মোহম্মদনা মহাক্কী পৱার চেৎশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মহাক্কী এদভাইজরশিংদা কিংদম অদুগী মপান্দা মিলিটরি অমসুং ইন্টলিজেন্স ওপরেসনশিং কনখৎনবা হোৎনখিবা মতমদুগা মরী লৈননা সাউদি ওফিসলশিংদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জর্নেলিষ্ট জমল খাসোগ্গি হাৎত্রিঙৈ চহী অমগী মমাঙদা মখোয়না ৱারী শানখিবগী মওং অদুনা প্রিন্স মোহম্মদনা পৱার পায়বা হৌবদগী মকোক থোংবা সাউদি ওফিসলশিংনা মী হাৎপগী ৱাফম খন্নখি হায়বা তাকই।

সাউদি ওফিসলশিংনা খাসোগ্গিগী মীশি অদুবু ওফিসল অমনা ওর্দর তৌখিবা ওপরেসন অমদা পাঙথোকখিবা মীহাৎনি অমদি মদুবু ওর্দর তৌখিবা

ওফিসল অদুসু মফম থদৎখ্রে হায়খি। তৌইগুম্বসুং মেজর জেনরেল অহম্মদ অল-অসিরি কৌবা ওফিসল অদু হৌখিবা ২০১৭ কী মার্চতা সাউদি কেপিটেল রিয়াধতা পাঙথোকখিবা মরুওইবা মীফম অমদা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ইরানগী শেল-থুমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং ফেল ওইহন্নবা হোৎনবদা প্রাইভেট ইন্টলিজেন্স ওপরেটিবশিং শীজিন্নগদবা দোল্লর বিলিয়ন ২ গী প্লান অমা খন্নখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা জেনরেল অসিরিগী মকোক থোংবা তেংবাং-লোয়শিংনা ইরানগী রেভল্যুস্নরি গার্দস কোরগী কুদস ফোর্সকী লুচিংবা অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী লেংদবা য়েক্নবনি হায়না খন্নবা কাসিম সুলৈমানি হাৎনবগী মরমদা হংখি।

য়েক্নবা নৎত্রগা পামদবা মীশিংবু হাৎপা, অরোনবা ওপরেসনশিং অমসুং য়েমেনগী লানগুম্বা মিলিটরি কেম্প্যেনশিং প্রিন্স মোহম্মদকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্লিবসি কিংদম অদুগী ওইনদি অহোংবা অমনি। মমাঙঙৈদগী হৌনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফোরেন পোলিসী অমত্তা সাউদি অরাবিয়ানা চৎলকখিদবনি।

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা ৱাশিংতন পোষ্টকী কলমনিষ্ট অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চেন্দুনা লৈরকখি। মফমদুদা লৈরগা মহাক্না ৱাশিংতন পোষ্টতা ক্রাউন প্রিন্সকী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা ওক্টোবর ২ দা খাসোগ্গিনা ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেট মনুংদা চঙখিবা মীয়াম্না উনহৌখি। জমল খাসোগ্গি হাৎখিবগী থৌওংনা মিদল ইষ্টতা চরাংনবা ফীভম থোকহল্লকপা য়াই।

য়ু এস নেভিগী ফাইটর জেট অমা ফিলিপিন সীদা কায়খ্রে

মনিলা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

য়ু এস নেভিগী ফাইটর জেট অমা ঙসি জপানগী ওকিনাৱা ঈথৎকী খাথংবা ফিলিপিন্স সীদা কায়খ্রে। এফ/এ-১৮ হোর্নেট অদু রুটিন ওপরেসন্স পাঙথোক্লিঙৈদা মেকানিকেল প্রোব্লেম লাকপদগী মদুগী ক্রু অনী তঙাইফদনা ইজেক্ট তৌখি হায়না য়ু এসকী ৭ শুবা ফ্লীটনা ফোঙদোকখি।

মীওই অনীদু ঈশিংদগী শোয়দ-ঙামদনা লৌখৎখি অমসুং য়ু এস এস রোনাল্ড রিগান এয়রক্রাফ্ট কেরিয়রদা মখোয়গী ফিভম য়েংশিনখি হায়রি। ওকিনাৱা ঈথৎতা য়ু এস মিলিটরি বেজশিং অমসুং পর্সনেল লিশিং কয়া লৈ। ঈশিংদা প্লেন কায়বদুদা অতেক-অকায়শিং তাওবা লৈব্রা হায়বদু থীদোক্ক বগীদমক জপানগী কোষ্টগার্দনা এয়রক্রাফ্ট অমা থাখি। মদু হন্দক য়ু এস এস রোনাল্ড রিগান চেন্নবা অনীশুবা এক্সিদেন্টনি। হৌখিবা ওক্টোবরগী থাখায়দা য়ু এস নেভিগী এম ঐচ-৬০ সিহোক হেলিকোপ্টর অমসু কেরিয়রদুগী ফ্লাইট দেকতা কায়খি। থৌদোক অদুদা মীওই ১২ অশোক-অপন নংখি। এসিয়া-পেসিফিকতা দিপ্লোই তৌরিবা য়ু এস নেভিগী ৭ শুবা ফ্লীট অদুদা য়ামদ্রবদা জহাজ অমসুং সবমেরিন ৫০ এয়রক্রাফ্ট ১৪০ লৈ অমসুং হিরোই ২০,০০০ য়াওই।

ফুদ পোইজনিংনা অঙাং ২ শিবদগী করাচিগী রেষ্টুরেন্ট ১ থিংজিনখ্রে

করাচি, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

পাকিস্তানগী হিথাংফম সিটি করাচিগী লূ-নাল্লবা দি ঐচ এ এরিয়াদা লৈবা লক্সরি রেষ্টুরেন্ট অমদা চা থক্লুবদগী অঙাং ওইরিবা মচিন-মনাও নুপী অনী ফুদ পোইজনিংনা মরম ওইরগা শিখিবা অমসুং অঙাংশিংদুগী মমাবুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নখিবা মতুং ঙরাং পুলিসনা রেষ্টুরেন্ট অমা থিংজিনখ্রে।

জিন্নাহ হোস্পিটালগী মেদিকো-লিগেল ওফিসর (এম এল ও) গী মতুংইন্না অঙাং অনীদুগী পোষ্ট মোর্টেম পাঙথোক্লে অমসুং অহানবগী রিপোর্টনা মখোয় ফুদ পোইজনিংনা মরম ওইদুনা শিখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী। লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগী মবুক মনুংগী কয়াৎশিংগী শরুকশিং গভর্ণমেন্ট লেবোরেটরিদা থাদুনা মখোয়না লৈখিদবগী চপ চাবা মরম লেপথোক্লগনি।

মমাঙদা ইমুং অদুনা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা য়াম্না মরু ওইরিবা পোষ্ট মোর্টেমদু অঙাং অনীদুগী মনুংদা অমগী মশাদা পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখি। ইমুং অদু দিফেন্স হাউসিং

ওথোরিটি (দি ঐচ এ) গী রেষ্টুরেন্ট অমদা থক-চাখি লোয়ননা মখোয় দি ঐচ এগী ফেজ ৪ দা লৈবা চঙ্কি মঙ্কি এম্যুজমেন্ট পার্ককী মপান্দা লৈবা দুকান অমদগী অথুম-অহাওসু চাখি।

লৈখিদ্রবা মচিন-মনাও অঙাংশিং অদু অমনা চহী অমা মখাইদা শুরিবা অহম্মদ অসন অমসুং মহাক্কী ময়াম্বা চহী মঙা শুরবা মুহম্মদ অসন কৌই। মখোয় দি ঐচ এগী ক্রীক ভিস্তা এপার্টমেন্টতা লৈবনি। অঙাংশিং অদুগা লোয়ননা মখোয়গী মমা অয়েশা নারকপদগী দি ঐচ এগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। হোস্পিটাল অদুগী ডোক্তরনা অঙাংশিংদু শিরে হায়না লাউথোরকখি অমসুং মখোয়গী মমাবুনা মখা তানা লায়কন্নখি। করাচি পুলিসনা রেষ্টুরেন্টদুগা লোয়ননা অহাও অথুম লৈখিবা পার্ক অদুসু থিংজিনখ্রে।

রেষ্টুরেন্ট অদুগী চানবা পোৎলম-শিংগী সেম্পলশিংসু থিজিন্নবগীদমক সিন্ধ ফুদ ওথোরিটিদা থাখ্রে। মমা-মচা অহুমদু নোংমাইজিং নুমীৎতা অরুবা ফীভমদা হোস্পিটালদা পুখৎখিবনি। হৌজিক মমাগী ফীভমদি খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা ইনক্কারি কন্মিটি অমা শেমখ্রে। মখোয়গী ফাইন্দিংশিং নুমীৎ হুম্নীগী মনুংদা ওথোরিটিদা পীশিনগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ম্যান্মারগী লুচিংবী সু সীনা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট কৌখ্রে

সিঙ্গাপোর, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী): ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সেল্লর ওং সান সু চিনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অরোইবা ঙমখৈ ওইরিবা মহাক্কী লৈবাক্তা শেল চাউনা ইনভেষ্ট তৌরক্নবা ঙসি মপানগী বিজিনেসশিংদা আপিল তৌখ্রে। মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ইনভেষ্টরশিংনা হেন্না পাম্নগদবা বিজিনেস ইনভাইরনমেন্ট অমা লৈহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা সু চিনা মহাক্কী লৈবাক্তা ফোরেন ইনভেষ্টরশিংগী মীৎয়েং কৌখিবনি।

ম্যান্মারগী দে ফেক্টো লুচিংবী অদুনা হায়, লৌউ-শিংউঅমসুং মরী লৈনবা বিজিনেসশিং লোয়ননা ফিশরি, এদ্যুকেসন অমসুং হেল্ঠফ্যের সার্ভিশিং য়াওনা সেক্তর কয়াদা ইনভেষ্টমেন্টকী খুদোংচাবশিং মহাক্কী লৈবাক্তা লৈ। ঐখোয়গী লম লৈ, ঐখোয়গী নহা ওইরিবা শুবা নোম্বা কল্লবা মীওই মশিং য়াম্না লৈ। হান্না য়েংশিনখিদ্রিবা রিছোর্স কয়া ঐখোয়দা লৈ হায়না সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকপা এসিয়ন বিজিনেস এন্দ ইনভেষ্টমেন্ট সন্মিট (এবিস) তা কিনোট স্পিচ পীরদুনা সী চিনা হায়খি।

রিজনল পোলিসীমেকর অমসুং বিজিনেস লিদর ১০০০ হেনবগী মমাঙদা মখা তানা মহাক্না হায়খি মদুদি, রিছোর্সশিং থীজিনবা হায়বসি নুংঙাইবদা নত্তনা শেল থোকপা থবকনি। মসিনা ঐখোয়গী লৈবাকপু থুনা চাউখৎহনবদা মতেং পাংগনি। নুমীৎ নীনিগী ওইবা কনফরেন্স অদু মপুং ওইবা অসিঅন সন্মিটগী নাকোইননা অসিঅন বিজিনেস এদভাইজরি কাউন্সীলনা শীন্দুনা চহীগী ওইনা পাঙথোকপনি। অসিঅনগী মপুং ওইবা সন্মিট অদু লৈবাকপোকপদগী শগোলশেন ফাওবা সুন্টেক সিঙ্গাপোর ইন্টরনেসনল কনভেন্সন এন্দ এক্সিবিসন সেন্টরদা পাঙথোক্কনি।

সু চিনা মমাঙগী থৌদোকশিং নীংশিংলদুনা হায়খি মদুদি, সিঙ্গাপোরনা নৌনা নীং-খা তল্লকখিবা মতমদা লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর লী কুৱান য়্যুনা ৱা ঙাঙবদা রিপব্লিক অদু থৱায় য়াওনা কন্না হোৎনরবদি চহী ২০ গী মনুংদা ম্যান্মারগা লম্বা য়াগনি হায়খি। অদুবু হৌজিক্তি সিঙ্গাপোরনা চাউখৎ লমজেলদা ম্যান্মারদগী য়াম্না হেনখ্রে। ঐখোয়না সিঙ্গাপোরগা মান্নবা চহী ২০ ঙাইবগী তঙাইফদবা লৈতে। নখোয়না ঐখোয়বু সিঙ্গাপোরগী থাক য়ৌহনবদা মতেং পাংগনি হায়না ঐহাক্না থাজে।

খাসোগ্গিগী টেপ কনাদিয়ন ইন্টলিজেন্সনা ফংলে

পেরিস, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

সাউদি জর্নেলিষ্ট জমল খাসোগ্গি হাৎখিবগী ওদিও রেকোর্দিং অমা কনাদাগী ইন্টলিজেন্সনা ফংলে হায়না লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিস ক্রুদোনা ফোঙদোকখ্রে। টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ অয়িপ ইর্দোগননা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবা অমদা মহাক্না সাউদি অরাবিয়া, অমেরিকা, জর্মনি, ফ্রান্স, বৃটেননচিংবদা রেকোর্দিংশিং পীখ্রে হায়খিবগা লোয়ননা লৈবাক অমত্তনা রেকোর্দিংদু ফংলে হায়রকপদি লৈতে হায়খিবনি।

পেরিসতা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও লোইশিনখিবগী ১০০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা পিছ ফোরম অমদা শরুক য়াখিবা ক্রুদোনা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়, টর্কিস ইন্টলিজেন্সনা পীরকখিবা ওদিও টেপ অদু কনাদাগী ইন্টলিজেন্সনা তারে অদুবু মহাক মশামক্তি রেকোর্দিংদু তাদ্রি। হান্না সাউদি ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমানবু শৌগৎলম্বদগী মহাক্কী মায়োক্তা আর্টিকিল কয়া ফোঙলকখিবা ৱাশিংতন পোষ্টকী কলমনিষ্ট অমা ওইরিবা খাসোগ্গি ওক্টোবর ২ দা টর্কিগী ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটে মনুংদা হাৎখি। থৌদোক অদু খাসোগ্গিনা মহাক্কী লুহোংবদা চঙগদবা চে-চাং খরা লৌবা চৎপদা থোকখিবনি।

বৃটিশ ফোরেন সেক্রেটরিনা সাউদি অরাবিয়াদা য়েমেনগী লান লোইশিন্নবা তকশিনখ্রে

রিয়াধ, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

সাউদি অরাবিয়াগী খোঙচৎতা রিয়াধতা লৈরিবা বৃটিশ ফোরেন সেক্রেটরি জেরেমি হন্তনা ঙসি সাউদি নিংথৌ সলমানগা উনখ্রে অমসুং য়েমেনগী লান লোইশিন্নবা অমসুং জর্নেলিষ্ট জমল খাসোগ্গিগী মীহাৎকী মতাংদা থিজিনবদা সাউদি লুচিংবশিংনা কোওপরেসন পীনবা তকশিনখ্রে।

ফোরেন সেক্রেটরিনা ঙসি অথেংবদা কিংদম অদুবু তশেংনা লৈঙাক্লিবা ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমানগা উনগনি। সাউদি অরাবিয়ানা য়েমেনগী ৱাথোক্তা মিলিটরি খুৎলায় শীজিন্নদুনা য়াওশিল্লিবদু ক্রাউন প্রিন্স অসিগী থৌরাং অমগী মখাদনি।

য়েমেনদা এয়রষ্ট্রাইক চথবদা মীচম কয়া মীশি-মীনা নংখিবগী মতাংদা রিয়াধপু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবগী মথক্তা হৌখিবা ওক্টোবর ২ দা ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা জর্নেলিষ্ট হাৎখিবগা মরী লৈননা মালেমনা কন্না চৈ থাংনবগা লোয়ননা অথিংবা কয়া মায়োক্লরকপা য়াবগী ফীভম লৈরিঙৈ মতমদা হন্তনা সাউদি খোঙচৎ অদু পাঙথোক্লিবনি।

য়েমেনদা মতম শাংনা হাৎন-শুনবা থোকপদগী লৈবাক অদুগী মীয়াম্না হায়নিংঙাই লৈতনা অৱা-অনা নংলিবদু কোকহন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি খুৎলায় থাদোক্লবগী পোলিটিকেল ৱারেপ অমা লৌবা অমসুং ঈং-চিকপা ফীভম লাকহন্নবা হোৎনবনি হায়না হন্তনা খোঙচৎ অদুগী মাঙওইননা ফোঙদোকখি।

বৃটেন অসি সাউদি অরাবিয়াদা খুৎলায় য়াম্না য়োনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। সাউদিনা লুচিংবা কোলিসনন্না য়েমেনদা এয়র রেইদশিং চথবদা মীচম মশিং য়াম্না শিরিবদুনা মরম ওইদুনা ওপোজিসন পোলিটিসনশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা সাউদি অরাবিয়াদা খুৎলায় য়োনবা লেপ্পবা তকশিনখিবনি।

সাউদি অরাবিয়াদা খুৎলায় য়োনবনা পাউন্দ বিলিয়ন কয়া তানবা ঙম্মী অমসুং দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিদা মীওই কয়া থবক ফংহল্লি হায়না বৃটিশ গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরল্লি অদুবু ৱাফম অসি ফোঙদোরকপা মতমদা গভর্ণমেন্টনা খাসোগ্গি মীহাৎকী মতাংদা করি তৌগদগে হায়বদুসু পনগদবনি হায়না ওপোজিসন পোলিটিসনশিংনা ফোঙদোকখি।

রিয়াধতা হেক থুংবগা হন্তনা নিংথৌ সলমানগা উনদুনা লৈবাক অনীগী মরী অমসুং রিজনল থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা খন্নখি। উনবা অদুদা সাউদি ফোরেন মিনিষ্টর অদেল অল-জুবি অমসুং সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়েমেনদা থাবা বৃটিশ অম্বেসেদরশিংসু শরুক য়াখি।

শ্রীলঙ্কাগী পার্লিয়ামেন্ট মুথৎখিবগী মায়োক্তা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

কলম্বো, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনানা পার্লিয়ামেন্ট মুথৎখিববু শিংনরদুনা শ্রীলঙ্কাগী মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ঙসি সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে।

চৈরকসিদা, স্পিকর কারু জয়ামুরিয়ানসু পোলিটিকেল ৱাথোক থোক্লিঙৈ তাল্লক অদুদা লোগী মায়োক্তা ওইবা ওর্দর অমত্তা ইন্দনবা পব্লিক সার্ভেন্টশিংদা আপিল তৌখ্রে।

ঈথৎ লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল ৱাথোক অদু প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা ইরাই নুমীৎতা পার্লিয়ামেন্ট মুথৎপগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী মীখল খরা ঙনখৎনা মথং চহীগী জান্যুৱারি ৫ দা কৌখিবা মতুংদা হেনগৎলকখি। পার্লিয়ামেন্ট মুথৎত্রিঙৈ চয়োল অনীগী মমাঙদা সিরিসেনানা প্রাইম মিনিষ্টর রনিল ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেবু মফম লৌথোকখি অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট মহিন্দা রাজাপক্সাবু মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা খনখি।

ঙসি ঈথৎ লৈবাক অদুগী সুপ্রীম কোর্টতা ফন্দামেন্টেল রাইটসশিং খোঙ্গাওনবগী মায়োক্তা পিটিসনশিং থাঙ্গৎখিবা পার্টিশিংগী মনুংদা মফম লৌথোকখ্রবা ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেসনল পার্টি, মরুওইবা ওপোজিসন তামিল নেসনল এল্লাইয়েন্স, জনতা ভিমুক্তি পেরামুনা, তামিল প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্স অমসুং ওল সিলোন মক্কল কোংগ্রেস য়াওখি হায়না দেলি মিরর পাউনা হায়খি।

পিটিস্নরশিংনা মখোয়গী ৱাকৎতুদা লৈবাক অদুগী কনষ্টিট্যুসনগী ১৯ শুবা এমেন্দমেন্টকী মখাদা পার্লিয়ামেন্ট মুথৎনবা সিরিসেনাগী পৱার লৈতে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা সিরিসেনাগী গেজেট নোটিশ অদু চৎনহন্দনবা অমসুং ৱায়েল অমা পীদ্রিফাওবা লাক্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীখল পাঙথোক্তনবগী ওর্দর অমা থোকপীনবা এপেক্স কোর্টতা হায়জখি।



TODAY
MEGA BUMPER HOUSIE
TODAY
Ticket Rate
Rs.3000/-
IN AID OF
KWWA
Regd. No. 650/SR/IW-2012
Time :
4:30 pm
Prizes
9 Lacs
MINI BUMPER
Ticket Rate : Rs. 150/-
MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 600/-
1st 2nd 3rd 4th 5th
HL-P/5668/13
VENUE : KAKWA LAIREMBI LAMPAK / DATE : 13 NOVEMBER, 2018



অশোক্ কুমারবু থাগৎচরি

Ashok Kumar

ঐগী চহী অমা হেন্না নারকপা case Lumber Spine (L_4/L_5/S_1) না মরম ওইরগা খোঙ শজিং হৌবা, খোঙ ওইথংবা অসি শিথবা, শাংনা চৎপা ঙমদবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা অসিনা য়াম্না ৱানা খাঙলকখি। মসিগী মথক্তা নোম্থোক-নোনসিন য়াদবা অসিনা অচৌবা পোৎলুম ওইখি। অসুক ৱানা খাংলম্বা ঐগী হকচাংগী পোৎলুমসে **কোন্থৌজম অশোক কুমার**-না শুপ্নতগী নুমিৎ ১০ (তরা) নিদা Natural Therapy পীবিরগা ফহনবীরে। ঐগী অনৌবা পুন্সি অমা পীবিবা অসিগীদমক পাউচেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

Treatment Centre :
ASHOK KUMAR HEALTH CARE
Thangapat Mapal, Near EURO Kids
Palace Compound, ☎ 9612988625
***Time :* [From 6 AM to 11 AM]**

Sd/-
ABUJAM JAMES
Bamdiar

HL-P/2505/13

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oriented test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

8th Position
LANCHENBA OINAM
19th Position
DEEPAK OINAM
ROHIT KHUMUKCHAM
MAIBAM STEPHEN
LUNGINMANG HAOKIP

Classes for new last batches starts from 10th Sept. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4822/13/11-12/12

Fax 0385-2414625
Phone 0385-2414539
0385-2414629
e-mail rims@rims.edu.in
website www.rims.edu.in

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Governemnt of India)
LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR

NOTICE

Imphal, the 12th Nov., 2018

No. m/1/2009RIMS (Pt.): The walk-in-interview schedule to be held on 13th Nov., 2018 for engagement of Lecturer in Sociology, RIMS, Imphal is hereby postponed until further order due to administrative inconvenience.

Sd/- **K. Doungel**
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/4985/13